ꯏꯔꯩꯕꯥꯛ

ইরৈবাক

১৯ শুবা চহি ২৪৩ শুবা মশিং ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩, ২০২১ মেরা ৮ পানবা য়ুমশকৈশ www.ireibak.in লুপা ১.৬০

মপুরোইবা লোৎখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৩.৩০ রোম তাবদা মোরেগী তি মীনোই ভিল্লেজদা মপুরোইবনা মহাক্কী নুপীবু মঙকশমদা থাংনা লেললেল্লে। মপুরোইবা অদু মফম অদু থাদোক্লগা লোৎখ্রে। নুপী অদু মোরে পি ঐচ সি দা লায়কন্নরবা মতুংদা ফিভম লুশিল্লকপদগী ইম্ফালরোমদা রিফর তৌখ্রে হায়রি। মপুরোইবা অদুগী মমিংনা রামহসদা কৌই, চহি ৩৮ শুরে। নুপী অদুগী মমিংনা জুলি কৌই। মখোয় অসি বি আর টি এফ কী শিন্মীনি। অসামগী কোক্রাঝরদগীনি। হৌজিক্লা টি মিনোইদা লৈবনি। অশোকপা নুপীগী মচেনা ফোংদোরকপদা লোৎখ্রবা রাম হসদা অসি ফাবদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

সি এম দা হায়সি হায়বা স্কিম চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লোঞ্চ তৌখিবা

পোলিটিসিয়ানশিংনা গুন্দাইজমগী ৰাখল থাদোকপিয়ু মীখল মমাংগী হিংশাদা সি এম না পেন্দবা ফোংদোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী জেনরেল ইলেক্সনগা মরি লৈননা কেন্দ্র খরদা হিংশাগী থৌদোক ৰাথোক থোকখিবা অদুবু চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। পোলিটিসিয়ান ওইনা থোরক্লিবশিংনা গুন্দাইজমগী ৰাখল থাদোকপিয়ু। গ্রুপিজম ওইনা ভোট খোম্বীদনবা অপিল তৌবগা লোয়ননা ইলেক্সন কেম্পেইন তৌবদা কেন্দিদেট অমনা পব্লিক্কী মেন্দেট লৌনবা হোৎনবদা গ্রুপিজম শাগৎনদুনা নোংমৈনচিংবা পায়নরগা কাপ্পরকপা অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা চিফ মিনিষ্টরনা ফোংদোরক্লি।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা ভোৎ লেপকনি হায়দুনা থোরক্লিবা কেন্দিদেৎশিং অমদি কেন্দিদেৎশিংগী ৰাকরশিংনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। লমদম অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি ইন্দিভিজুয়েলশিংগী মফমদা চিফ মিনিষ্টরনা অপিল তৌরদুনা হিংশাগী থবক, গুন্দাইজমগী থবক, মীবু কিহনবা, গ্রুপিজম শেমগৎনরগা ভোৎ খোম্বা চাকচা হৈজানবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং শিজিন্নরগা খৎন চৈনবা তৌরিবসি তৌবিগনু। হৌজিক্তগী হৌনা মীখলগা মরি লৈননা ভোট খোম্বদা গ্রুপিজম নাইনদুনা খৎন চৈনরবদি লমদম অসিদা অফবা অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই।

চিফ মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক অসিনা মখল অমত্তগী কাংলুপ নাইবা হিংশাগী থবক তৌবা মীওইশিং আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক পিদবা খক তৌরোই। ঐগী মীগী হায়বা নাইরোই। হিংশাগী থৌদোক ৰাথোক অমদি খৎন চৈনবনা লৈবাক্কী অমাংবা ওইহল্লি। লৈঙাক অসিনা ঐখোয় অমত্তনি। ঐখোয় অমত্তা ওইরে হায়বা যুমফমদা থবক তৌগনি। মীখলগা মরি লৈননা কেম্পেন তৌরিবশিংনা ভোৎ কারবা মতমদা মীয়ামগীদমক তৌগদবা অফবা থবকশিং অদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খংহন্দুনা ভোৎ খোমবিয়ু। মীখলদা টার্ম মরি মঙারক কারক্লবশিংনা মাগী মাগী মতমদা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা তৌখিবা থবকশিং অদু ময়েক শেংনা পুথোক্তুনা অমদি মীয়ামদা খংহন্দুনা ইশু বেজদা ভোট খোম্বীয়ু। মদু নত্তনা গুন্দাইজমগী মওং অমদি শেঞ্জাও পায়রবনি, ঐঙোন্দা কনা অমত্তনা করিসু তৌবা ঙম্লোই, ঐ শক্তি লৈরবনি, ঐ নোংমৈ পায়রবনি হায়দুনা ভোৎ খোমবিগনু। আইন কায়না ভোৎ খোম্বগী থবক চথরকপশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা আইনগী ওইবা এক্সন লৌরকপদা লৈঙাকপু লান্না লৌবিগনু হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা মীয়ামদা অপিল তৌরদুনা মীখলগা মরি লৈনবা ভোৎ খোম্বদা হিংশা তৌবা, ঐগী জগানি, মাগী জগানি হায়দুনা ভোৎ খোম্বা চংবা য়ারোই হায়বা তৌবিগনু। দিমোক্রেসিনা পিবা নিতি নিয়মদা শান্তি ওইনা কেম্পেইন তৌবিয়ু। ভোৎ হায়বসি লোন্না পিগদবনি। মীয়াম মমাংদা ফোংনা নমগদবা নত্তে। য়ানিংদ্রবদি ভোৎ খোম্বা লাক্লবসু ভোৎ পিদ্রগা লোইরে। মদু নত্তনা চংবা য়ারোই হায়দুনা ইরাং শাগৎপা তৌবিগনু। হৌজিক ২১ শুবা চহিচাগী মতমনি। মালেম অসি য়াম্না চাওখৎলবনি হায়খি।

কেন্দিদেৎশিংনা ভোৎ খোম্বা চংলকপা য়ারোই। মা লাক্লবদি ফুরো হাৎলো হায়বগী ৰাখল্লোন্দা খৎন চৈনবগী থৌদোক কয়া হৌরক্লিবা অসি মালেমগী লৈবাক মীয়ামগী মমাংদা ইকায়নিংঙাইহনি। গ্রুপিজম নাইবা সেক্তরিয়ান ওইবা থবকশিং অমত্তা মীখলগা মরি লৈননা তৌবিগনু। হৌখিবা নুমিৎ ৪নি ৫নি অসিদা মীখলগী কেম্পেইনদা খৎন চৈনবা থৌদোক থোকখিবা অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইতে। মীয়ামগী থম্মোয় জয় তৌনবা অফবা ৰাখল্লোন অমদি অশানবা ভিজন কয়া মাংদা থল্লগা চংশিনবিয়ু। পাংথোক্ক দৌরিবা মনিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অসি শান্তি লৈনা পাংথোকপদা মনিপুরগী মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়না চিফ মিনিষ্টরনা অপিল তৌরক্লি।

বি গমনোম ভিল্লেজদা অৰাবা ফোংদোক্লিঙৈদা লালহৌলুপ অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই ৫ শিরে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ থা অসিগী ১০ দা থৌবাল দাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সদর হিলসকী বোংবান খুল্লেনদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন চৎনদবা কুকি লালহৌলুপ কুকি নেস্নেল লিবরেসন আর্মিগী কার্দরশিংগা ২১ শুবা পেরা ফোর্সকা নোংমৈ কাপ্পবদা লাহৌলুপ অসিগী মীওই ৪ লৈখিদবা অদু ঙসি মথৌ মঙম পাংথোক্লবা গমনোম ভিল্লেজদা মীয়াম তিন্দুনা অৰাবা ফোংদোক্লিঙৈদা কুকি লালহৌলুপ অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মীওই ৫ শিরে। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা খুলগী চিফ অমদি চহি ৮ রোমতা ঙাইরিবা নুপামচা অমা য়াওরি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি টেরোরিষ্টকী থৌওংনি হায়না চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না থাদোরকপা চেরোলদা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা বি গমনোম ভিল্লেজদা কুকি লালহৌলুপ অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রবা ভিল্লেজ চিফ অদুগী মমিংনা পাউলুন কিপগেন অপোকপনা কামখোতিনথাং কিপগেন কৌই। মহাক নোখোলেন ভিল্লেজগী চিফনি। অতৈ লৈখিদবশিং অদুদি বি গমনোম ভিল্লেজদগী লুমজামাং কিপগেন, অপোকপনা থেমলান কিপগেন, সৈচাং ভিল্লেজদগী জাংখোলান খোঙশাই কৌই। মীওই অমদি মশক মমিং খংবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদু থা অসিগী ১০ দা পেরা রেজিমেন্টকা নোংমৈ কাপ্পবদা লৈখিদ্রবা কুকি লিবরেসন আর্মিগী কাদর মরি অদুগী মথৌ মঙম পাংথোক্লবা অৰাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মীয়াম তিনবগী থৌরম পাংথোক্লিঙৈদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন চৎনবা কুকি লালহৌলুপ অমনা খংহৌদনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম মীয়াম মরক্তা কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

খুৎলাই পায়বশিং অদুনা মীয়াম মরক্তা নোংমৈ কাপশিল্লবা মতুংদা খোংলৈ থুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি। মীয়াম মরক্তা নোংমৈ কাপশিল্লিবা অদুগী মরম চপ চাবা খংবা ঙমদ্রি অদুবু সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন চৎনদবা কুকি নেস্নেল লিবরেসন আর্মিগী মীওইশিং অদু খুঞ্জাশিংনা মতেং পিবগী নোংমৈ কাপশিল্লকপা ওইগনি হায়না থাজরি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী কন্দোলেন্স পাংথোকপা য়ারোই হায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপনি হায়না পাউগী ছোর্স অমনা হায়রি।

অমরোমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরনা থাদোরকপা চেরোলদা থা অসিগী ১০ দা সেক্যুরিতি ফোর্সকী পার্সোনেলশিংগা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা কুকি য়ু জি গ্রুপ অমগী মেম্বরশিং মথৌ মঙম পাংথোক্লবা বি গমনোম ভিল্লেজদা মীয়াম তিন্দুনা লৈরিঙৈদা মীওই খরনা মফম মরাং খংদনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপশিন্দুনা মীওই কয়া হাৎখিবা অমদি চহি ২ রোমতা ঙাইরিবা অঙাং অমনা তমথিনা শোকহনখিবা অদু তেরোরিষ্টকী থৌওংনি। ঈংনা চিক্লা লৈবা পামজবা মীয়ামগী পুন্সিবু তমথিনা শিংনবা অদু ঐহাক্কী লৈঙাক্লা খাংদুনা লৈবা ঙমদে।

দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা হিংশাগী মফম লৈতে। মখোয়গী কা হেনবা থৌওং অদু অৰাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই। মসিগীসু মথক্তা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীপাইনদুনা চেল্লিবা মীপুম খুদিংমক্কী ঙাক শেনবগী থৌদাং লৈঙাক্লা লৌগনি। মখোয়বু মতু নাম্মা শোকহন্দনবা থবক লৌখৎলু হায়না অৰাবা থাক্কী পুলিস ওফিসারশিংদা খংহনখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা আর্মি, আসাম রাইফলস, অমসুং মনিপুর পুলিসকী মকোক থোংবশিংদা য়াথং পিখ্রে। ফিভম থিনা শোকপদগী লায়কন্নরিবা অঙাং অদুগী পুন্সি কন্ননবা থবক লৌখৎনবসু মরি লৈনবশিংদা খংহনখ্রে। টেরোরিষ্টকী এটেক্তা লৈখিদ্রবা মীচম মীয়ামগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফংহৌরিবা অৰাবা নুংঙাইতবদা লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি। লৈখিদ্রবশিংগী থৱাই মিরেলনা ঈংনা চিক্লা মপুগী লৈকোলদা লৈবা ওইরসনু হায়রি।

সি এমদা হায়সি হায়বা স্কিম চিফ মিনিষ্টরনা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ টেলিফোনগী খুখোংদা চিফ মিনিষ্টরদা নৎত্রগা লৈঙাক্তা হায়নিংবা ৰা হায়বা য়াগদবা অমদি খুদোংচাদবা লৈরকপদা হায়রকপা য়াগদবা সি এম দা হায়সি হায়না মীংথোনবা স্কিম অমা ঙসি চিফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েৎতা পাংথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লোঞ্চ তৌখ্রে। হায়রিবা স্কিম অসিগী মোবাইল ফোন নম্বরনা ৯৫৩৪৭৯৫৩৪৭ নি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদা বি জে পি না মনিপুরদা লৈঙাক হেক পায়রকপগা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি লমদম অসি চাওখৎনবা খোঙথাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। গো টু হিলস গো টু ভিল্লেজনচিংবা পায়খৎতুনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা লৈঙাক্লা পিরিবা কান্নবশিং মীয়ামগা ফংহল্লি। চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবা হৌদোক্তুনা লায়েংবা ঙমদনা লৈরম্বশিংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হিল লিদরস দে, মীয়ামগী নুমিৎনচিংবা থৌরম পাংথোক্তুনা মীয়ামগা উন্নদুনা মীয়ামগী অপাম্বা অমদি অৰাৎ অপা কয়ামরুম তান্নদুনা লাক্লি। অদুবু কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইরগা থৌরম অসি লেপখ্রে। মরম অসিদগী সি এম দা হায়সি হায়রিবা স্কিম অসি লোঞ্চ তৌবনি। স্কিম অসিগী ফোন নম্বর অসিদা মীয়াম্না কোল তৌদুনা লৈঙাক্তা নৎত্রগা চিফ মিনিষ্টরদা হায়নিংবা ফোংদোক্লিংবা খুদিংমক ফোংদোকপা য়াগনি। মীয়াম্না হায়নিংবা অমদি ফোংদোক্লিংবা ফোংদোক্লবগীদমক টেলিফোন নম্বর অসি অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা সার্ভিস তৌগনি। টেলিফোনগী খুখাংদা কমপ্লেন তৌরকপা খুদিংমক কমপ্লেন অদুগা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনচিংবা অমুক হায়গদৌরিবনি।

খোঙজং হন্দোকপিয়ু

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ হৌখিবা চহি ২০ হেনবা অসিদা তার্ম অহুমলক কাদুনা কেবিনেট মিনিষ্টর ফাওবা ওইরল্লবা অন্দ্রো কেন্দ্রগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারবু মহাক্কী য়াম্বেমদা লৈবা যুমদা চংবা য়ারোই হায়না মীওই খরনা অথিংবা থম্বা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইদা তৌহৈদবনি। নুমিৎ হুম্নি ফাওবগী মনুংদা হন্দোকউ। নৎত্রগদি অঙথাগী মীয়ামনসু য়াম্বেমগী খোংথাং অদুগুম্না লৌরবা য়াই হায়না ঙসি অঙথা খোংনাংখোং কম্যুনিতি হোলদা পাংথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না ফোংদোকখ্রে।

পুং ২৪ দা মীওই ২ লৈখিদ্রে ১২০ পোজিটিব ওইরে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ হৌখিবা পুং ২৪ দা মনিপুরদা কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা মীওই ২ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই ২ অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তগীনি। মখোয়শিং অসি মশাগী অনাবা লৈবা অমদি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তবনি। হৌজিক ফাওবদা মনিপুরদা কোভিদনা লৈখিদবা অপুনবা মীশিং ১৮৮৭ য়ৌরে। হায়রিবা পুংফম অসিদা মনিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তগী মীওই ২৩১৭ কোভিদ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১২০ পোজিটিব ওইখি। পোজিটিব ওইবগী চাং অসি চাদ ৫২ নি। কোভিদ ১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোলদা পোজিটিব ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপুলেসন্দা ১১৯, অদুগা সেন্ট্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সতা মীওই ১ নি। জেনরেল পোপুলেসন্দা পোজিটিব ওইরবশিং অদু নুপা ৬২, নুপী ৫৭ নি। মখোয়শিং অসি রিমসতা ১, জেনিমসতা ১৬, অতৈ কোভিদ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ১০৩ পোজিটিব ওইখি। পোজিটিব ওইরবশিং অসি ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৪, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৯, থৌবাল ২, বিষ্ণুপুর ১১, ককচিং ১, উখ্রুল ১৩, চুরাচান্দপুর অমসুং চান্দেল ৫। ৫, সেনাপতি ১, কামজোং ৪, নোনে অমসু ফেরজোল দিষ্ট্রিক্তগী মীওই ২। ২ নি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা মতম অসিদা কোভিদ ১৯ দগী ফদুনা মীওই ১১৮ দিসচার্জ তৌখি। দিসচার্জ তৌখিবশিং অদুদি হোম আইসোলেসন্দগী ৪০, রিমসতগী ৬, জেনিমসতগী ৮, সি সি সি এস তগী ৬৪, অমরোমদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ২৭৪ সু লায়চৎ অসিদগী ফদুনা দিসচার্জ তৌখি। পুন্না দিসচার্জ তৌখিবা অসি ৩৯২ নি। হৌজিক মনিপুরদা কোভিদ পোজিটিব ওইবা অপুনবা মীশিং অসি ১২২২২৮ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসন্না ১১৭৯১৯ নি। এক্টিব কেসতা লৈরিবা মশিংনা ১৪৩৩ নি। লায়চৎ অসিদগী ফগৎলকপগী চাংনা চাদ ৯৭.২৮ নি। হায়রিবা মতম অসিদা মেদিকেল ফেসিলিতি লৈবা মফমশিংদা দি তাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৬৫২, বি তাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৭৪ ফংহনখি। থা অসিগী ১১ দা মীওই ১৩২৬৮ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। মনিপুরদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা অপুনবা মীশিং ১৭৮৬২৭৪ য়ৌরে। ফাষ্ট দোজ কাপথোকপা মশিংনা ১২৩২৩৩৮ নি। অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোকপা মশিংনা ৫৫৩৯৩৬ নি।

রিমস, জেনিমস, সি এম সি কোইরেঙ্গৈ, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল শিংজমৈ, জিবন হোস্পিটাল ককচিং, সিজ হোস্পিটাল অমদি রাজ মেদিসিতিদা কোভিদকী ফম্মুং ৫৪৬ হাংলি। মসিগী মনুংদা জেরেল বেদনা ৪৪৪ অদুগা আই সি য়ু বেদনা ১০২ নি। কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬ ফাওবদা হাংলিবা ফম্মুং মশিংনা ২৬৮৩ নি। কোভিদ কেয়ার সেন্টর ১৫ গী অপুনবা ফম্মুং মশিং ৩১৭২ গী মনুংদা ফম্মুং ৪৮৯ কোভিদকী ইনমেটশিং লৈরি। কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী এন এস য়ু, ষ্টেন্দার্দ কলেজ, অয়ুস হোস্পিটালনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকীনা এল এল কে আর দি ৱিং, এময়ু হোষ্টেল, এন আই টি নি। অতৈ কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিং অদুদি থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, সেনাপতি, তেংনৌপল, জিরিবামনচিংবনি।

ভোট্টরশিংনা অপংবা তাহৌগনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ মীতৈ পাঙল ঈগী খোঙগুল লিবা ফাউন্দেসন কম্মিতিনা শিন্দুনা তরাহৈ কোঞ্জিলদা মীতৈ পাঙল খুন্দাখিবগী ১৩৭ লক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি হিংয়াংথাং তরাহৈ কোঞ্জিলদা পাংথোকখ্রে। লোয়ননা মীতৈ পাঙল ঈগী খোঙ্গুল লিবা ফাউন্দেসন কম্মিতি মনিপুরগী ওফিস বিল্ডিং শানবা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা উরেপ উয়ুং তমখি।

থৌরম অদুদা এম পি না হায়খিবদা হিয়াংথাংগী তরাহৈ কোঞ্জিলদা মীতৈ পাঙলশিংনা খুন্দারকখিবা চহি ১৩৭ শুরে। মীতৈ পাঙলশিংনা লমদম অসিদা লাকখিবসি ইনিংথৌ খাগেম্বগী হাক্তক্তনি হায়বা পুৱারিদা লৈরি। মতমদুদা ইনিংথৌ খাগেম্বনা মৈতৈ নিঙোলশিং থাজদুনা অমদি মীতৈগী য়ুম্নাক শাগৈ পিদুনা তোপ তোপ্পা মওংদা পুন্না খুন্দামিন্নখিবগী পুৱারি লৈরি। এম পি না মখা তানা হায়খিবদা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা খৎন চৈনবা তৌদনা শান্তি ওইনা পাংথোকসি হায়খি।

পোলিটিকেল কনফরেন্স পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ এন পি এফ চান্দেল দিভিজন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমা ঙসি চান্দেল খৃষ্টান কম্যুনিতি হোলদা পাংথোকখ্রে। কনফরেন্স অদুদা এন পি এফ মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, হিল এরিয়া কম্মিতি মনিপুরগী চিয়ারমেন এম এল এ লৈসিও কৈশিং, পার্টি অসিগী এদভাইজর ভিক্তর নুংলুং, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট রোবর্ট টি মরানচিংবশিংনা ৰা ঙাংখি হায়রি।

ওক্তোবর ১৫ দা য়ুনাইটেদ রিভোলুসন্নরি ফ্রন্ট ওফ মনিপুরনা পুং ১৮ গী শটদাউন লাওথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ ঃ নমথাক্কী মর্জর এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা নেস্নেল ব্লেক দে ওবর্জাব তৌদুনা য়ুনাইটেদ পিপল রিভোলুন্নরি ফ্রন্ট ওফ মনিপুরনা পুং ১৮ গী টুটেল শট দাউন লাওথোকখ্রে। লুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিতি সেক্রেটরি এল রোলিন গী চেরোলদা মশাগী চহি ২০০০ হেনবগী তোপ তোপ্পা পুৱারি লৈজরবা মনিং তম্বা দেমোক্রেটিক গভর্নমেন্ট অমা লৈঙাকচরবা কংলৈবাক্কী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা মোইথেম তৌদুনা কৌরগা নমফুগী খুৎয়েক অমা ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা লৌদুনা মালেমগী চৎন কাংলোনশিংগী ৰাংমদা মনিপুরবু ইন্দিয়াদা তিনশিল্লে হায়দুনা লাওথোক্তুনা কংলৈচাশিংগী নিংতম্বা মাংখিবা নুমিৎ ১৯৪৯ ওক্তোবর ১৫ বু কংলৈপাক্কী অমম্বা নুমিৎ হায়না থৌরম পাংথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক চহিগী ওইনসু ওক্তোবর ১৪ গী অহিং নোংয়াইদগী ওক্তোবর ১৫ গী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা মনিপুর পুম্বদা পুং ১৮ গী শটদাউন লাওথোক্লে হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা লোই মপু ইন্দিয়ানা মশাগী দেমোক্রেসিগী ফমথোন অমা শেমগৎতুনা লৈঙাকচদ্রিঙৈ মমাং য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী কংলৈক্তি পরিং নাইনা নিংথৌরোল কয়ানা লৈঙাকচদুনা তোপ তোপ্পা শক্তম অমদি খুনাইলোনগা লোয়ননা কংলৈচাশিংনা মশাগী নেচরেল কেরেক্তর খংনা মতিং লৈনা সোভরেন ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট অমা ওইনা লাকখি।

১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুরী ৰারদা কংলৈপাক্লা বৃটিশকী মখুৎতা মায়থিদুনা মতম খরা মনিং তম্বা মাংলুরবা মতুং ১৯৪৭ আগষ্ট ১৪ গী অহিং নোংয়াইদগী বৃটিসশিংনা কংলৈপাক্কী নিংতম্ববু ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ গী মতুং ইন্না কংলৈচাশিংদা শিন্নরকখি। কংলৈপাক য়াওনা অতোপ অতোপ্পা প্রিন্সলি ষ্টেট কয়াগী মনিংতম্বা অমুক হঞ্জিনখি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা মনিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ শেমদুনা কংলৈপাক মশাগী মীয়াম্না লৈঙাকচনবা এদলট ফ্রান্সাইজদা যুমফম ওইবা ইলেক্সন অমা ১৯৪৮ কী জুন জুলাইদা পাংথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা মনিপুর ষ্টেট এসেমব্লি লিংদুনা কংলৈপাক সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা সোভরেন ইন্দিপেন্দেন্ট নেসন অমা ওইনা লৈঙাকচবা হৌরকখি। মনিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ গী মখাদা নিংথৌগা পৱার অমদি দিমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্নমেন্ট ওইরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী পৱারশিং আর্টিকল কয়াদা মরিক চুম্না ইথোক্তুনা থম্বগা লোয়ননা মহারাজগী পৱার অসি ষ্টেট এসেমব্লিদা লৈখ্রে হায়বসি মনিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ না ময়েক শেংনা তাক্লি।

মনিং তম্বা লৈবাক অমগী ষ্টেট এসেমব্লি অমদি কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী অয়াবা য়াওদনা ৰারেপ অমত্তা মরন্নাই ওইনা লৌবা ঙম্বগী লিজিটিমেট রাইট পৱার লৈত্রবা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌরগা ইন্দিয়ান লান্মীশিংনা নুমিৎ হুম্নি হেন্না লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থল্লগা নমফুগী খুৎয়েক অমা লৌদুনা মনিপুরবু ইন্দিয়াদা তিনশিল্লে হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অসি নমথাক্কী এগ্রিমেন্ট অমা ওইবদা নত্তনা মনিং তম্বা লৈবাকশিংগী মরক্তা পিনবা য়ানা খুৎয়েকশিং ৰারোলশিং ওইফম থোক্ত্রে। চৎনবা য়ারোইদবা ত্রিতিনি হায়বসি য়ু এন গী ভিয়েনা কনভেনসন ওন দি লো ওফ ত্রিতি ১৯৬৯ দা পিরিবা আর্টিকলশিংদা ময়েক শেংনা পল্লি। লোইলম ইন্দিয়াগী খুবামনুংদা কংলৈপাক্কী নিংতম্বা নমফুদা পায়শিনখিবা মতমদগী কংলৈপাক্কী লৈঙাকল্লোন য়াম্না হম্ববা থাক অমদা থমদুনা পার্ট সি ষ্টেটকী কেতাগোরিদা থল্লগা ইন্দিয়াগী চিফ কম্মিস্নার অমগী মখাদা মনিংতগী ওইনা লৈঙাক্তুনা কংলৈচাশিংগী নেস্নেলিজম অমদি নেস্নেল কেরেক্তরদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইদুনা লাকখি। কংলৈচাশিংগী শিংলি নাওরি শিংদগী মশাগী নেস্নেলিজমগী ৰাখল্লোনশিং মপুং ফানা মাংহনখিনবা মীয়ামগী কোক অমদি ভিজনশিং থম্মাইদুনা থমখিনবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া লোই মপু ইন্দিয়ানা লেপ্পা লৈতনা চৎথদুনা লাক্লি হায়রি।

লোই মপু ইন্দিয়ানা নমফদা মৎপিশ্রবা কংলৈপাক্কী নিংতম্বা অমদি মদুদা চৎনরে হায়দুনা লাওথোরক্তুনা মনিপুরবু ইন্দিয়াদা নমতিন তিনশিনখিবা নুমিৎ ১৯৪৯ ওক্তোবর ১৫ বু য়ানিংদবগা লোয়ননা মালেমগী চৎন কাংলোনশিং ইন্দিয়ানা থুগায়বনি হায়না লৌদুনা হন্দক চহিগীসু ওক্তোবর ১৫ অসি মনিপুর পুম্বদা নেস্নেল ব্লেক দে হায়দুনা পুং ১৮ গী টুটেল শটদাউন অসি লাওথোকপনি। টুটেল শট দাউন অসিনা লমদম অসিদা ইমর্জেন্সিগী হিরমশিংদা থবক তৌরিবা ধর্ম্ম কর্ম্মগা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং অমদি ঈ পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংদি কোনশিল্লোই হায়রি।

গ্যাসকী পাউ

HRANGCHAL GAS, Old Lambulane
Bk: **23/9/21** V/f **20/9/21**(8.00 a.m. to 12 noon)
Booking and Enquiry No. : **0385-244677**, 9436280866

IMPHAL LPG SERVICE
Bk: **5/10/21**
(Late arrival of Stock at 10 am date 3-8-21 Imphal LPG service Home delivery only.) Update Gas card with Fresh Photo cont. Office no. 6009392991
Enquiry No. : **6009392991, 9362654114,3853560556**
Enquiry time 8.30 a.m. to 12.30 p.m.

K & K INDANE, Tera bazar
Bk: **uptodate**
Gas booking counter open at Tera Bazar office (8.00 a.m to 12 noon.)
Uripok, Thangmeiband, Langol (**9362663937**)
Sagolband & Surrounding **(8627912279, 93667227636, 9089519886)**
Langjing & Patsoi (**9366474013**)
Konthoujam A/C, Lamsang A/C (9863201839, 6009291975)
For Inquary & others (8258019383, 9366727636)

KHORIPHABA GAS, Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Home delivery Contact No. **9366471778, 8837349474, 8787632782**
For Enquiry 9612337528 (8.00 a.m. to 12 Noon)

MM GAS SERVICE Bk: **uptodate**
(Home Delivery Only) No phone calls only SMS or Whatsapp(8.00 a.m. to 12 Noon)
For Imphal West & Imphal East
8131942156, 7630902992, 7085198900
Only for all Thangmeiband & Lamphel
7628098544, 8787630773, 9088370369
(delivery within 3 days)

R & H INDANE **Stk : 306**
Bk: **30/8/21** V/f **23/8/21** (8 a.m. to 12 noon)
(Home Delivery on 2 January) OFFICE NO. 9366013547, 8414824977, 8413936705 & **8132036940**

TDK GAS, Sekmai (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **25/8/21** V/f **19/8/21**
Contact no. **6909614353, 8731992324**

FOUNDATION DAY CELEBRATION
ALL COMMUNITY DEVELOPMENT ORGANIZATION MOREH
On 12th October, 2021
At Acodom Office

ওল কম্যুনিতি দেভলপমেন্ট ওর্গানাইজেসনগী ১৩ শুবা ফাউন্দেসন দে পাংথোকখিবা

অংথা খোংনাংখোং কম্যুনিতি হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাংথোকখিবা



মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবা বিমোল চৈরাক পিয়ু হায়দুনা ৰাকৎ মীফম ফমখিবা